# নুপীগী থৌনা হাপ্লিবা ম্যান্মারগী ফিল্ম Let Pan

- নানি

ফিল্ম অসি Wyne না দিরেক্সন পীবনি। মপুং ওইবা রোল লৌরিবশিংদি- Pyay Ti Oo (YarZar), Phway Phway (Let Pan) অমদি SoeMyat Thu Zar (Ma Nee) নি। Sein Htay না প্রদ্যুসর ওইরিবা ফিল্ম অসিগী ৱারী ইরিবনা Myar Sitt The নি অদুগা স্ক্রিনপ্লেনা Thiha Soe নি। বর্মা (ম্যান্মার) দা সিনেমাগী ঈহৌসি য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী লৈরকখ্রে। ১৯১০ দগী সাইলেন্ট ফিল্ম ইরাদগী হৌখ্রবনি। ইহান হান্না খোঞ্জেল য়াওদবা বর্মাগী সিনেমাদি Ohn Maung না প্রদ্যুসর দিরেক্টর ওইদুনা পুথোকখি। হৌজিক ফাওবা মহাকসি ফাদর ওফ বর্মিজ সিনেমা হায়না নীংশিংনরিবনি। বর্মাগী ইহান হানবা ফিল্মদু পোলিটিকেল লিদর Tun Shein গী funeral function অমগা মরী লৈননা ২শুবা হেন্দ কেমেরা অমনা সূটিং তৌখিবনি। হৌজিকসু ফিল্ম অসি ম্যান্মারদা লৈরি। হৌজিক্তি ফিল্মসি হৌরকপদা Please accept our apologies for the poor quality of the film হায়না থাই। বর্মিজগী ইহান হানবা খোঞ্জেল য়াওবা ফিল্মদি ১৯৩১দা পুথোকপা Tote kyi-না দিরেক্সন পীবা Ngwe Pay Lo Ma Ya (Money can't buy it) হায়বা অসিনি। মসিগী মতুংদগীদি বর্মিজ ফিল্মগী খোঙচৎ অসি য়াঙনা চঙশিল্লকপা হৌখ্রে। অদুবু মখোয়গী ফিল্মসি অয়াম্বনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা চঙশিল্লকপদি কয়া য়াওখিদে। শাথিরিবদি বর্মাসি মিলিটরিনা পানবা লম অমা ওইবনা পোলিটিকেলগী ওইবা ফিল্ম অমত্তা পুথোকপা য়াদে। Cencorship অসি য়াম্না লুনা লৌনৈ। ১৯৮০ অমদি ১৯৯০গী দেমোক্রেটিক পোলিটিকেল এক্টিভিটিজদা শরুক য়াখিবা এক্টর, দিরেক্টর লোয়নমক বর্মাদা বেন্দ তৌখি। মদুগী মতুংদগীদি ম্যান্মারদা ফিল্মগী ঈহৌ অসি খঙতপ তপথখিদুনা মতম শাংনা লৈরুরে। হৌজিক্তদা অমুক লো বডজেট দাইরেক্ট-টু-ভিদিও ফিল্ম খরা খরা পুথোক্লরকপা হৌরক্লিবনি। অদুম ওইনমক হৌজিকসু স্ক্রিন ঠিএটর অসি মশীং লিক্লা লৈরি। দিসেম্বর ২০১১গী সর্ভে অমগী মতুংইন্না Yangon অমদি Mandalay দা অয়াম্বা লৈ। অতৈ মফমদা লৈরিবা ঠিএটরশিংদি ইম্ফালদা লৈরিবা অসিগী থাক্তগীবু হেন্না হন্থনা ঊচি মকোন ওইদুনা লৈরি হায়বা রিপোর্ট পীরি।

Let Pan (The Red Cotton Silk Flower) হায়বা ফিল্মসি দিসেম্বর, ২০১২দা রিলিজ তৌখিবা ফিল্মনি। ফিল্ম অসি হৌজিক ফাওবগী মনুংদা ম্যান্মারদা খ্বাইদগী শেন্দোং লৈখিবা ফিল্ম অমা ওইরি। ফিল্মসি ম্যান্মার মোসন পিকচর একাদেমী এৱার্দতা বেষ্ট এক্টর, বেষ্ট এক্ট্রেস, বেষ্ট ফিল্ম, বেষ্ট রাইটর, বেষ্ট দিরেক্টরগী মনা পুন্না ফংখিবা ফিল্মনি। ফিল্মসিগী ৱারীসি থোইদোক্লা নৌবা অমদি নত্তে। মণিপুরদসু মসিগা হায়রপ মান্নবা ৱারী অমা লৈখ্রে। ফিল্ম ওইনসু লমজা পর্শুরাম হায়না পুথোকখ্রে। মপা মশক হেক খঙবগা হাংকনি হায়না ৱাশক্লিবা পর্শুরামগা ফিল্মসিগী কেরেক্টর Let Pan গা হায়রপ মান্নে। জেন্দর ওন্নবগী ৱাদনি। অদুবু ফিল্মসিদা হেন্না ফজ রিবনা ফিল্মসিগী দিজাইনিং, সেট্টিং, ইদিটিং, কেমেরা অমদি এক্টরশিংগী নুং ফাওনা উৎপা ঙম্বা এক্সনশিং অসিনি। ফিল্মনা উৎনিংলিবা নুংগী ওইবা মশক অদু নীংথিনা দিজাইন তৌবা সোট খূদিংদা মদুগী মহাও য়াওহনবা অদুগী হৈ-শিংবা অদুনি হায়বা য়াই। মেন কেরেক্টর অহুম খক্তনা য়াম্না মচঙ ওইনা মশা নান্না পুথোকই। এক্টরশিং অসি নীংথিনা ট্রেন তৌরে হায়বসি মখোয়গী পর্ফোর্মেন্স অদুনা নীংথিনা তাক্লি। নুংদা খনবা পূম্নমক পানদা উহনবা ঙম্মী। Let Pan হায়বা লৈ পাম্বীসিনা সিম্বোলিক ওইনা থম্লগা ৱারীগী মপুম অসি শাগৎপনি। Let Pan হায়বা পাম্বী অসি ঐখোয়গী সোমদা হায়রগদি কুরাও অঙাংবা অদুগুম্বনি। মপানসু কুরাও মপানগা য়াম্না মান্নরি। হেক য়েংবদা য়াম্না ফজবা পাম্বী অমনি। ফিল্মসিগা পাম্বী অসিগগী ৱারী শেমগৎলকপদা পাম্বী অসিসু য়াওরি। পাম্বীসিগী মখোঙদা থৌদোকশিং অয়াম্বা থোকহল্লি। য়াম্না সিম্বোলিক ওইনা ফিল্মসিগী ৱারীগা মতম চুপ্পদা শাগোন্নদুনা লাক্লি। য়াম্না ফজরিবসি দিরেক্টর অসিগী ট্রিটমেন্ট অমদি মাগী ফিল্মিক দিজাইন অসিনি হায়বা তাই। ফিল্মসিগী লাইটিং, ইদিটিং অমদি কেমেরা অসুক্কী মতিক ফজে অদুনা ফিল্মসিগী তোপ তোপ্পা মশক অমা শাগৎপা ঙম্লিবনি।

ফেমিলি দ্রামা ওইরিবা ফিল্মসিগী অশম্বা ৱারীদি- Yar Zar Kyaw অমদি Maahni হায়বা পাখং লৈশাবী অনী



অসি নুংশিনৈ। অরোনবা মখোয়গী নুংশি মরীনা Maahni মীরোল্লকখি। মতমদুদা Yar Zar দি মমানা হায়না শিংনবা নুপী অমগা লুহোংদবা য়াদবা তাঞ্জা অমা ওইখি। অদুনা Maahni না মহাক মীরোল্লে হায়বদা অঙাং অদুবু মাঙহনখিনবা Pill অনী অমদি শেল খরা পীখি। মদু Maahni না য়াম্না ৱারৌখি অমদি য়াখিদে। মহাক্না মতুংদা মাগা অমুক হন্না উন্নররোই নঙোন্দসু অয়েৎপা অমত্তা পীরোই হায়না মাগী মপূক্লিংদা ফাওরিবা নিংঙমদবা কয়া অদু শেংনা হায়রমখি। অঙাং অসিবু মাঙহনবদি পামদে হায়খি। নুমীৎতুদগী মখোয় অনী কায়নখি। Maahni গী মপা অদু মচানুপীগী মতৌ অদুদা লৈকায় মীয়ামগী নোক্নবা মীচৈ তাবদগী লায়না ওইদুনা শিখি। উপায় লৈত্রবী Maahni শিরগে হায়না লেপ্তুনা Let Pan হায়বা Yar Zar গা তোয়না উনখিবা পাম্বীদুগী উখাদা মহাক্কী মোংফম মশানা তৌজখি। মমৈদা য়োৎকী উপু অমা থেংনখি। উপু অদু হাংদুনা য়েংলুবদা সনা ময়াম অমা য়াওরম্বা থেংনখি। মদুনা মহাক্কী হিংনবগী উপায় অমা ওইখি। উপুদু মহাক্না ময়ুমদা পুরক্তুনা লোন্না থম্লম্মী। মদুনা মহাক্কী হিংনবগী পাম্বে কয়াদা শীজিন্নরকখি। মতমগী মতুংইন্না মচানুপী অমা পোক্লে। মচাগী মমিংসু Let Pan (পাম্বী অদুগী মখোঙদা থোনবা মমিংনি) হায়না থোনখি। মচানুপী অদু মশা মথন্তা হিংনবগী অকনবা ট্রেনিং কয়া পীদুনা মরিংজেল লৈবী, মথৌনা লৈবী অমদি অৱাবা খাংবা হৈবী অমা ওইনা শেমগৎলকখি। চহী খরগী মতুংদা Dr. Yar Zar গীদা মহাক্না খঙনবী নুপীমচা অমনা Let Pan বু পুদুনা লাইরিক তাকপীনবা লাকখি। মদুগী মতুংদা কার এক্সিদেন্ট অমদা Let Pan য়াম্না থিনা শোকখি। ঈ কাপ্পগী মথৌ তারকপদা মহাক মশানা ঈ পীদুনা Let Pan গী পুন্সি কনখি। মদুগী তৌবীমল খঙবা ওইনা Let Pan না Yar Zar গীদা লাক্তুনা মমল ওইনা করি পাম্বগে হায়না হংলবদা ঐ করিসু পামদে নঙগী পুন্সিগী ৱারী তানিংই হায়না হায়রবদা Let Pan না মাগী হৌখিবা পুন্সিগী ৱারী লীরকখি। নুমীৎ অদুদা Yar Zar না মহাক্কী মচানি হায়বা খঙখি। করিগুম্বা নহাক্না নঙগী নপা অদু মশক খঙলবদি করি তৌগনি হায়না হংবদা মীওইবগী মীনুংশি খঙদবা মহাক অদু থেংনবা মফমদা হাৎকনি হায়না খুম্লকখি। নোংমদি Yar Zar লাইহৌ হৌদুনা কন্না নারে তাবদা Let Pan না মাগী মনাক্তা লাক্তুনা মতেং পাংলখি। মদুদা চোইরোন ওইনা Yar Zar না Maahni ঐবু ঙাকপীয়ু, ঐ নঙগী নফমদা লানখ্রে হায়রকপদা Let Pan না মহাক্কী মপানি হায়বা খঙখি। অশাওবনা মাঙওইনরবা Let Pan না থাঙনা থিন্দুনা হাৎনবা হোৎনরকপদা মহাকপু থেঙ্খাং অনীরক্তা কনবীখিবা অমদি মমানা মপা মশক খঙলক্লবা মতুংদা পাগদবনি হায়বা চিঠি অদু নীংশিংলক্তুনা ময়ুমদা চেল্লক্তুনা মমানা ইরম্বা চিঠি অদু পাখি। মদুদা অশেংবা অদু খঙলক্তুনা খুদক্তা মপাগী নাক্তা লাকপা মতমদদি Dr. Yar Zar, Let Pan মখোঙদা শিনবা থৌরাং তৌরম্মী। Let Pan না চেল্লক্তুনা মপাদা মাবু ঙাকপীয়ু হায়না হায়জরকখি। মপা মচা নুংশিনা কোন্নদুনা অমনা অমবু ঙাক্লখি।

ফিল্ম অসিগী ৱারী অসিনা মরাইবক থিরবী নুপী অমনা নুপা য়াওদনা মহাক মশা অমদি মাগী মচানুপীবু করম্না মতিক চাবা অমদি থৌনা লৈনা হিংবা ঙমগদগে হায়বা ইথিল অমদি পাউথাং ওইনা ফিল্ম মেদিয়মদা ওস্থোক্তুনা মরিক চুম্না পীবা ঙম্মী। এক্টরশিং অসিনা মখোয়গী পূক্লিংদা ফাওরিবা অৱাবা, নুংঙাইবা, খোয়রাং খোয়শাওনবা, নিংঙমদবা কয়া অদু য়াম্না নীংথিনা এক্টিংদা ট্রান্সফোর্ম তৌদুনা নুংঙাইরবা মথেল অমা ওইনা অয়েংবশিংদা পীবনি। ফিল্মসিদা য়াম্না ফজরিবা অসিনা এক্টরশিং অদুগী ঈং-তপ্পা অমদি মোং হাদনা থনুংদা লৈরিবা পূক্লিংগী মরোল অদু মাগী বোদিগী লেংগ্বেজদা নীংথিনা পুথোক্তুনা অয়েংবশিংবু পেলহনবা ঙম্বা অসিনি। Let Pan শারিবী, মমা অমদি মপা শারিবা মখোয় অহুম অসিমক য়াম্না নীংথিনা ট্রেন তৌরবা ঙাক্তা ওইনা উই। মপা শারিবা মীশক অদুদি মহাক মশাসু ম্যান্মারগী এঞ্জিনিয়র অমনি। মহাক্কী লোয়নবীসু এক্ট্রেসনি। মতম চুপ্পদা Let Pan না অঙাংবা দ্রেস শেৎতুনা এক্ট তৌরকপদু য়াম্না পকচবা অমা ওইখি। হৌজিক ফাওবদা মখোয়গী টিম অসিগী ওইবা অপূনবা মখা তাবা ফজবা ফিল্ম অমা ফাওবদি থোরক্ত্রি। ঙাইখিবা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওস্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৫।০৩।২০২৩ ইং, নোংমাইজিং; নুংথিল পুং ২.০৪ ফাওবা লমতাগী ১৩ নি পাল্লি, মতুং ১৪ নি পানগনি।


মেষ: ইমুং মনুং ৱাখল তান্নদবনা শেল তিংবা, মরুপ মপাংনা চানবীদবা নুমিৎনি। নচা-ননাই/নহৈগী লমদদি মায় পাক্কনি, নীংহন্দবনা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা হান্নগুম লৈরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ


বৃষ: অশাওবনা মাঙওইনগনু-তপথৌ। লল্লোন ইতিক্তদি থোইনা কান্নগনি, থবক্তা নচাক নরল থাদবা য়াগনি, নচা ননাইদগীসু মতেং ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা


মিথুন: হৈ-শিংনা চৎচগদবা নুমিৎনি। চিন কনবা, য়েৎনবা পাম্বা অমদি থৌয়াম পুবনা চাওনা মাঙগনি। য়াকা য়েংনা চৎলু মাঙবা য়াবদৈ কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুকচেল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা


কর্কট: লাইবক ফগনি-অনৌবা থবক থৌরমদা মাঙজিল থাবা ঙমগনি। অদুবু অরিবা থবক্তদি য়েংথিনবা লৈ। মরুপ মপাং/শেল থুমগীদি ফরি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক


সিংহ: অঙম তান্না থৌ পাঙগনু অমদি নাইতোম খুদক্কী ওইনা ৱা-তুপথোক্কনু। মরুপ লোয়নবা হান্নগুম থৌ পাঙগনি, ৱানোম্বসু য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংবা ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা


কন্য: মীনা থাগৎপিবা, হকচাংসু নুংঙাইবা, তুংগী থৌরাং শীনবা হৈবা, য়েক্নবা লৈরসু লাকশিনবা ঙম্বা নুমিৎনি। অঙম্বগা মুক্নরসু ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা


তুলা: অনীংবা থবক অপনবা লৈতনা পাঙবা ঙমগনি, ৱাখল থোক্কনি, মীচঙ লৈগনি। কল্লক য়েংথিবা/অয়েৎপা য়াম্মী-হন্থবা লোয়নগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক


বৃশ্চিক: মীকোক থোংবা ৱাগনি, অনম তানগনু অমদি মীতিক মীরৌ খঙউ। মীয়াম অমদি ইমুং মনুংগী ৱাদি অরুবনি খল্লু। মীরক্তা লৈয়ু-ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা


ধনু: নীংবদি মপা চারোই-অচুম অরান খঙদনা মায় পাক্কনি খনগনু। পল্লম্বা থবক পাঙবা, ফমথোল তানবা য়াবা, নহৈগী লমদা মায় পাকপা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতাং চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা


মকর: ৱা ঙাংবা-শকপা, য়েৎনবা অমদি অফবা মফম তান্নবদা মরিক চুম্না থৌপাঙবা ঙম্লোই। নীংবা খরদি থুংগনি, লাইবক ফবনা মীচঙসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অনৌবা মরুপ ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস


কুম্ভ: নীংবা থুংবা, মীচঙ লৈবা, অনৌবা আশা লাকপা, মীয়াম্না তেংবাঙনীংবা, লাই-গুরুনা চানবীবা নুমিৎনি। অকিবা লৈতনা নুংঙাইজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক


মীন: মীয়াম পুনবগী নুংঙাইজবা, নক্নবগী মতেং ফংজবা লৈ। নীংবদুমক পাঙবদা মীকোক থোংবদি ৱাগনি-ঈংথৌ। মরম খঙদনা হোয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## লিটরেরি ক্যুইজ-৬০গী ৱিন্নর আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা ওইখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (ঐচএনএস) :

হুইয়েন লানপাউ পাউচেনা লেপ্পা লৈতনা চৎথরকপা লিটরেরি ক্যুইজ গী ৬০শুবা তাঙ্কক্কী ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা তাওথোং অয়ুংবা ময়াই লৈকায়দগী আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা ওইখ্রে।

লিটরেরি ক্যুইজগী ৬০শুবা তাঙ্কক্কী ৱিন্নর ওইখ্রবা আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা হায়খি, ইম্ফাল মনুংগী লম্বীশিং অসি অসুক্কী মতিক চিল্লে। নোংম-নোংমগী গাড়ী মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলকপনা ট্রাফিক জাম তোইনা থোক্লে। হৌজিক ফাইরেন-লমতাগী লুহোংবগী থৌরম তোয়বনসু কা হেন্না লম্বী চিংনবগী অৱাবা মায়োক্নরি। গাড়ী থৌরিবশিংগী মরক্তা ৱাখল তাবা ৱাৎপা য়াওরকপনসু হেক হেক খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। অতোপ্পগী য়েংদনা মশা মশাগীতা খল্লগা মানা মানা হালহৌদবা য়াদে, মহাক হান্না চৎকে হায়বগী মতাগুম গাড়ী থৌনবসু য়াওরি। ট্রাফিক পুলিস/সিগনেল লৈতবা ক্রোসিংদদি গাড়ী লেংশিন্নদুনা ফন্না কুইনা অমসু অমসু চৎপা য়াদনা লৈবা য়াওই। হৌজিক হায়জনিংলিবা ৱাফমদি লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা লম্বী চিনবগী থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহনবা থৌশিল থৌরাং করি পায়খৎপীরবগে। ইম্ফাল স্মার্ট সিটিগী প্রোজেক্ট কমদৌখ্রবগে। মালেমগী থাক্তা নৎত্রবসু অথুবা মতমদা অমুক্তং অওনবা চাউখৎপগী মমি খরদং ওইরবসু উজনিংই।


মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ট্রাফিক পুলিসশিংনা চিল্লবা ইম্ফালগী লম্বীশিং অমদি ট্রাফিক আইলেন্দদা য়াম্না ৱানা মথৌ তৌরি। অদুবু হেন্না থৱায় য়াওনা কাঙলোন চুম্না মথৌ নীংথিনা তৌহন্নিংই। ওইরোমদা চৎকদবা গাড়ীশিং চুম্না চৎকদবা গাড়ীশিংনা থৎচিনবা তোয়না থেংনৈ। জেব্রা ক্রোসিং মথক্তা গাড়ী খামজিনবা তোয়না উবা ফংই। রেদ লাইট থান্না থান্না গাড়ী থৌজিনবসু য়াওই। দ্যুটি তারিবা পুলিসশিংনা খরা লাউ-খোংবা নত্তনা করিমত্তা তৌবা ঙমদে। মফম মতম চাদনা হোর্ন হৌনা হৌনা খোংবা য়াওই। ট্রাফিক রুলস থুগায়বশিং, দ্রাইভিং লাইসেন্স পায়দবশিং, গাড়ীগী চে-চাং য়াওদবশিং ফাবীয়ু, চৈরাক পীবীয়ু, টি আর কক্তুনা ফাইন লৌবীয়ু, পুকচেল তিংনা থবক তৌবীয়ু, অরানবা মওংদা শেল খোম্বীগনু। ঐ ইশাদা থোকখিবা থৌদোক অমখক মীয়ামগী ৱাখল লৌশিং ওইনবা পাউদমজগে।

নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা ঐহাক ৱাহেংবম লৈকায়রোমদগী এয়রপোর্ট তম্না লাকপগী লম্বীদা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদা ঙাইহাক পল্লি। গ্রীন লাইট থাল্লক্তুনা গাড়ী থৌনরকপদা ঐনা টিদ্দিম লম্বীরোমদা লাম্থোক্নবা থৌজিল্লকপদু সেকেন্দ ৬কী মতম লৈরিঙৈদনি। টিদ্দিম লম্বী য়ৌরকপদা লম্বী ময়াইদা ট্রাফিক পুলিস অনীখক্না ঐগীগা পুন্না গাড়ী অহুম থৎতুনা নাকলদা থৌজিন্নবা হায়রকই। গাড়ী খাল্লগা ঐনা করিগীনো হংই, পাউখুমদি পীরক্তে। দ্রাইভিং লাইসেন্স পীরকউ হায়দুনা পীরম্মী। অদুগা ট্রাফিক বুথতা কৌরগা লুপা ৪০০০ ফাইন থিবা তারে হায়রকই। ঐনা ইঙক ঙক্না করিগীনো হংই। রেদ লাইট থাল্লকান্দা গাড়ী থৌজিল্লকপগীনি হায়। ঐনা খুম্মী, রেদ লাইট থান্দ্রি, গ্রীন লাইট ঙাল্লিঙৈ সেকেন্দ ৬কী মতম লৈরিঙৈদা থৌরকপনি, ঐ ট্রাফিক রুল থুগায়বা লৈতে। অমনা হায়রকই সেকেন্দ ৬তা কমাইনা লাম্থোকপা নংদৌরিবনো। করিনো হায়বীরিবসিবু হায়দুনা ঐ তৌফম খঙখিদে। ৱাদি খরা ঙাংনরে। মখোয়না ঐবু নমদুনা লালহন্নবা হোৎনরে হায়বা খঙই। মরৈ য়েৎনরবসু অচুম্বা পুরকপা করিসু ঙম্লোই। শাউনিংবা পুম্বা ফাথরগা লুপা ৪০০০ য়াওদে, লুপা ৫০০ অসি লৌহৌরো হায়দুনা পীবদা তাপ লৌশিনখি অদুগা ঐগী দ্রাইভিং লাইসেন্স পীথোরকই। ঐ এয়রপোর্ট তম্না ইচানুপা ওক্নবা পরপ পরপ থৌরক্লে। নুমীৎতুগী অহিংদু ঐহাক ফন্না থেংলবা ফাওবা তুমথবা য়াখিদে। ফাব য়াবা মতাংদা ফাদ্রগা, চৈরাক পীবা মতাংদা করিমত্তা তৌদ্রগা করিসু নত্তবদা য়াম্না লায়না ঐবু অরানবা তাহনখিবদু কোকসিদা সুম খন্দুনতা লৈখি হায়নসু ফোঙদোরকখি।



Title : Scenery
By : Konsam Wangamba
Class : II Sec : C Roll No : 156
School : Regular English High School


Title : Cc Goku
By : Ngasepam Krishnan Singh
Class : II Sec : D Roll No. : 49
School : St. Joseph's Hr. Sec. School.


Title : Lawn Tennis
By : Lan Lairenlakpam
Class : KG. Roll No. 38
School : Tiny Tots Unique School


Title : Watermelon
By : Thingnam Achouba Meitei
Class : III Roll : 3
School : Bright Career Academy Umathel


Title : Scenery
By : Wahengbam Yaiphabi
Class : II Roll No. : 22
School : Children's Training School, Langol


Title : Fish
By : Ningombam Stelin Singh
Class : IV Sec : B Roll No. : 32
School : Standard Robarth Hr. Sec. School


Title : Rocket
By : Bhaskar Ngangbam
Class : KG Roll No. : 6
School : Nongpok Maheikol


Title : Donal Duck
By : Kh. Mangaleibi Chanu
Class : KG Roll No. : 3
School : Hijam Irabot Memorial Public Schoool


Title : Deer
By : Mangal Maibam
Class : III Sec : B
School : Don Bosco High School, Langjing


Title : Dragonite
By : Laiphrakpam Lanchen Meitei
Class : IV Sec : B Roll No. : 15
School : Ramakrishna Mission, Uripok


Title : A House
By : K. Malemthoiba
Class : II Roll No. : 19
School : Kangleipak Modern School


Title : Rose
By : Bharatnganba
Class : V Roll No. : 8
School : Kangleipak Modern School


Title : Scenery
By : A. Henthoisana
Class : V Roll No. : 23
School : Kangleipak Modern School


Title : Scenery
By : Kh. Tomthin
Class : II Roll No. 2
School : Kangleipak Modern School


Title : Traffic Light
By : Yumnam Nungshihenba
Class: K.G. Roll No. : 1
School : Kangleipak Modern School, Singda


Title : Scenery
By : Rikita Sarangthem
Class : II Roll No. : 6
School : Kangleipak Modern School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পিনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবিরকপা য়াগনি।